# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা ঙসি অমসুং হয়েং রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙ খুদিংমক সরকারনা ছুতি লাউথোকখ্রে।

২) ৫৪ শুবা জি.এস.টি কাউন্সিলগী মীফম শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা অবুদাবিগী ক্রাউন প্রিন্সকা ঙসি নিউ দিল্লিদা উন্নরগনি।

------

ছুতি (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী চেকশিন থৌরাং ওইনা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা ঙসি অমসুং হয়েং রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙ খুদিংমক সরকারনা ছুতি লাউথোকখ্রে।

রাজ্যগী ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- সরকারগী স্কুলশিং, গভর্নমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ত্রেল স্কুল পুমমক ঙসি অমসুং হয়েং ছুতি ওইরগনি।

রাজ্য সরকারগী হায়র এন্দ টেকিকেল ইজ্‌কেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা রাজ্য অসিদা মহৈলোইশঙশিং এদেদ, সরকারগী অমদি লন্নাই কলেজশিং ঙসি অমসুং হয়েং ছুতি ওইগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মখাদা পাঙথোক্লিবা অন্দর গ্রেজুয়েট অমসুং পোষ্ট

গ্রেজ্য়েটকী ঙসি অমসুং হ্য়েংগী পরিক্ষা য়েথোক্লে। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা পরিক্ষাশিং অসি য়েথোকখিবনি। পরিক্ষাগী অনৌবা মতম কোন্না লেপ্লগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগ কোন্ত্রোল্লর ওফ একজামিনেসন ইনচার্জনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ক্লাসশিং ঙসি অমসুং হ্য়েং তৌররোই। অদুমওইনমক, য়ুনিভর্সিতিগী অতোপ্পা থবক থৌরমশিংদি পাঙথোক্কনি হায়না রেজিষ্ট্রারনা হায়রি।

ফিলম (এল)ঃ মণিপুরী ফিলম- বুং কেনাডাগী টোরান্তোদা পাঙথোক্লিবা টোরান্তো ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেলদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা উৎখ্রে হায়রি। অহানবা ওইনা ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরীগী ফিক্সন ফিলম অসি উৎখিবনি। ফিলম অসি লক্সমি প্রিয়া দেবীনা দিরেক্সন পীবনি। কেনাডাগী টোরান্তোদা পাঙথোক্লিবা এ-গ্রেদ ফিলম ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ১৫ ফাওবা চথগনি।

জিএসটি ঃ ৫৪ শুবা জি.এস.টি কাউন্সিলগী মীফম শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি। জি.এস.টি কাউন্সিলগী অরোইবা মীফম চহি অসিগী জ্ন থাদা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা ষ্টিল, আইরন অমসুং এল্লুমিনিয়ম মিলকেনশিংদা চাদা ১২ গী চাংদা চপ মান্ননা জি.এস.টি লৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি। মীফম অদুদা ভারত রেলৱেজনা মীচম মীয়ামদা পীরিবা সার্ভিসতা জি.এস.টি লৌদবা হায়নসু ৱারেপ লৌখি।

অবুদাবিঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা অবুদাবিগী ক্রাউন প্রিন্স- সৈখ খলেট বিন মোহমদ বিন জয়েদ অল নাহয়নগা ঙসি নিউ দিল্লিদা উন্নরগনি। ঙসি উন্নবা অসিদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎনবা অমসুং তেংবাং পীননবগী মতাংদা খন্নগনি।

অবুদাবিগী ক্রাউন প্রিন্স- হ্য়েং মুম্বাইদা পাঙথোকপা বিজিনেস ফোরম অমদা শরুক য়াগনি। মদুদা লৈবাক অনিগী লল্লোন ঈতিক্কী মকোক থোংবা

ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

ভারত অমসুং য়ু.এ.ইগী লল্লোন ঈতিক্কী লমদা ২০২২-২৩ দা দোল্লর বিল্লিয়ন ৮৫ য়ৌখি। য়ু.এ.ইনা ভারতকী ওইনা লল্লোন ঈতিক্কী লমদা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অহুমসুবা ওইরি।

মীফম ঃ  ভারত সরকারগী সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়না শিন্দুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা জাতিগী মীফম- চিনতন সিবির ঙসিদগী উত্তর প্রদেশকী আগ্রাদা হৌরগনি। মীফম অসিদা লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী সোসিয়েল জষ্টিস মন্ত্রি অমসুং সোসিয়েল বেলফ্যার বিভাগকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াদুনা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিম অমসুং পোলিসিশিংগী মতাংদা খন্নগনি।

চিনতন সিবির অসি কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ বিরেন্দ্র কুমারনা সভাপাতি ওইদুনা হৌদোক্কনি। থৌরম অসিদা সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি বি.এল. ভরমা অমসুং রামদাস অথৱালেসু শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা মরুওইনা রাজ্যগী থাক্তা পায়খৎলিবা সোসিয়েল জষ্টিস স্কিমশিং মথৌ নিংথিনা তৌরিব্রা অমসুং কয়া য়ামা খুমাং চাওশিল্লবগে হায়বগী মতাংদা খন্নগনি।

পোসনঃ হৌজিক চথুরিবা তরেৎশুবা রাস্ত্রিয়া পোসন মাহগী শরুক অমা ওইনা হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কোতি অমা লাখ ৭৯ লোম পায়খৎখ্রে।

থা অসিগী অমদা হৌখিবা পোসন মাহ, থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথুগনি। থা অমা চুপা চথুগদবা খোঙজং অসিদা লৈবাক শিনবা থুংবদা টেকোলোজি শিজিন্নদুনা লৈঙাক সাসন হেন্না ফগৎহনবগা লোয়ননা এনিমিয়া, চাউজন থিবা, লাইরিকসু তমহনবা, মচি ওইবা চিঞ্জাকসু পীজবা হায়বনচিংবা হীরমশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমগনি। কেম্পেন অসিদা অকোইবগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা এক পের মা কে নাম থৌরাংসু পায়খৎলি। থৌরাং অসি

অঙ্গনৱারি সেন্তর লাখ ১৩ লিশিং ৯৫ দসু পায়খৎখ্রে। মন্ত্রালয়গী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী জিলা ৭৫৬ তা মচি ওইবা চীঞ্জাক্তা মরুওইবা মীৎয়েং থমদুনা মীয়াম্মু ভাব তাহনবগী থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লি।

জয়শঙ্করঃ মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করগী ঙরাং সাউদি অরাবিয়াগী রিয়াধতা থ্ংখ্রে। মফম অদুদা ডাঃ জয়শঙ্করনা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ইন্দিয়া গল্ফ কোরপোরেসন কাউন্সিল (জি.সি.সি)গী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগী মীফমদা ঙসি শরুক য়াগনি। সাউদি অরাবিয়াগী নুমিৎ নিনিগী মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিদা জি.সি.সি মেম্বর লৈবাকশিংগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগা ৱারী শান্নগনি। ডাঃ জয়শঙ্করনা ঙরাং সাউদি অরাবিয়াগী কলচরেল সাইটশিংদা চৎখি অমসুং লৈবাক অনিগী ওইবা ঐতিহাসিক ওইরবা মরীগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোংদোকখি।

সাউদি অরাবিয়া খোঙচৎগী তুংদা, ডা: জয়শঙ্কর জর্মনিগী বরলিনদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চৎকনি। মসি মহাক্কী অহুমলকশুবা বরলিনগী খোঙচৎনি। ভারত অমসুং জর্মনি লৈবাক অনিনা মরুওইবা লম কয়াদা তেংবাং পীনরি অমসুং জর্মনি অসি ভারতকী লল্লোন ইতিক্কী মরুওইবা মপাং অমসুনি।

ডা: জয়শঙ্করনা জর্মনি ফেদরেলগী বিদেস মন্ত্রি অমসুং অতৈ মন্ত্রিশিংগসু ৱারী শান্নদনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি। মদুগী তুংদা, মহাকা সুইটজরলেন্দগী জেনেভাদা চৎকনি।

এক্সপো ঃ উত্তর প্রদেশ সরকারনা রাজ্য অদুগী গ্রেটর নোইদাদা লৈবা ইন্দিয়া এক্সপো মার্টতা সেমিকোন ইন্দিয়া ২০২৪ য়ুম্মু ওইদুনা থা অসিগী ১১ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি রাজ্য সরকারগা সিমি, মেসে ম্যুনচেন ইন্দয়া অমসুং ইলেক্ট্রোনিক ইন্দষ্ট্রিজ এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা পাঙথোক্কদবনি।

থৌরম অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ১১ দা হৌদোক্কনি।

পেরালিম্পিক্স ঃ  পেরিস পেরালিম্পিক্স ঙরাং নুমিদাং ষ্টেদ দি ফ্রান্সতা লোইশিনখ্রে। গেমস অসিদা ভারতনা সনা তকমান ৭, লুপাগী ৯ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না তকমান ২৯ ফংদুনা ১৮ শুবা মফমদা লৈখি।

চাইনানা সনাগী তকমান ৯৪ য়াওনা পুন্না তকমান ২২০ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈখি। গ্রেট বৃটেন্না সনা ৪৯ য়াওনা পুন্না তকমান ১২৪ অমসুং আমেরিকানা সনাগী ৩৬ য়াওনা পুন্না তকমান ১০৫ ফংদুনা অনিসুবা অমসুং অহুমশুবা মফমদা লৈখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ভারতকী সনাগী তকমান ফংখ্রবা হরবিন্দর সিংহ অমসুং প্রিতি পালনা লৈবাক অসিগী ফিরাল পায়দুনা কন্টিঞ্জেট লুচিংখি। হন্দক্কী পেরালিম্পিক্স গেমস অসিদা ভারতনা ইহান হানবা ওইনা খ্বাইদগী য়ামা তকমান লৌবা ঙমখি।

মথংগী পেরালিম্পিক্স সম্মর গেমস ২০২৮ দা আমেরিকানা য়ুম্বু ওইদুনা লোসএঞ্জিলিসতা পাঙথোক্লগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা রুলিং এম.এল.এশিংগা গভর্নরগা উন্নখিবা, তিদিম লম্বীদা মৈরা রেল্লি থিংলুবদগী পুলিসকা মুকখিবা অমসুং মফম খরদা ঙরাংসু খুৎ থোকখিবগী পাউশিংনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনালৈবাক পাউচেদা- মণিপুর লৈঙাক্তা য়ুনিফাইদ কম্মান্দ শিন্নহন্নবা এম.এল.এশিংনা তকশিনখ্রে হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- সরকারগী দিমান্দ ৮ য়াওবা মেমোরেন্দম চীফ মিনিষ্টরনা গভর্নরদা পীশিনখ্রে। ষ্টেটতা য়ুনিফাইদ কম্মান্দ শিন্ননবা, সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন লৌথোকবা তকশিনখে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, ঈচেল এক্সপ্রেস, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, পোকফমদসু অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি , তমেংলোং টাইমস,

গানফিউ মেল অমসুং সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর মুখৎপা য়ারোই হায়দুনা তিদিম লম্বীদা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মুখৎপা য়ারোই হায়দুনা তিদিম লম্বীদা চৎখিবা মৈরাগী খোঙচৎকা পুলিসকা চাউনা মুকখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অয়াম্বা পাউচেশিংদা ফোংনরি।

ঙরাংসু জিরিবামদা কুকি তেরোরিষ্টশিংনা লান্দারকখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা বিষ্ণুপুর জিলাগা লোন্নবদা লৈবা তিনকাই খুল্লেনদা কাপখ্রে, য়ুম কয়া মৈ চাকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.এল.এ পুমমক রিজাইন তৌশি হায়রবসু য়াই হায়না এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক, ঈচেল এক্সপ্রেস অমসুং হুইয়েন লানপাউদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কুকিগী সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ চৎনবা য়ারোই, নাগাগী লম শোকপা য়ারোই হায়না অন্সমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ণিপুর নিউজ অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কোকোমিগী পাব্লিক ইম্মরজেন্সি মতম খরা কোমথোক্লে হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকল অমদি মণিপুর নিউজনচিংবা পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

------